# য়ুক্রেন ওপোজিসনना প্রসিদেন্টকী পৱার হন্থহন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে



*কিয়েব, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* য়ুক্রেনগী ওপোজিসন এম পিশিংনা লৈবাক অদুগী কন্সটিট্যুসনদা হোংদোক হোংজিন তৌরগা পার্লিয়ামেন্টপু গভর্নমেন্ট শেম্বদা হেন্না শক্তি লৈহন্নবা দিমান্দ পুখৎখ্রে।

অদুগা প্রসিদেন্টকী শক্তি হন্থহন্নবা আইন অমসু পুথোক্নবা মখোয়না তকশিনখি। য়ুক্রেন পার্লিয়ামেন্টকী অনৌবা টার্ম হৌবগী মীফমদা গভর্নমেন্ট অমদি ওপোজিসনগী এম পিশিংনা অকনবা দিবেট চথনখিবদা পুক্নিং নুংঙাইতবা উখোক্নবসু য়াওখি। লৈবাক অসিদা চয়োল কয়ামরুম প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিষ্টকী মথক্তা ওপোজিসননা অকনবা প্রেসর হেন্না হেন্না পীখিবনি। ওপোজিসন উদ্দার (পঞ্চ) পার্টিগী লুচিংবা অমদি হান্নগী হেভি ৱেট বোক্সিং চেম্পিয়ন ভিটালি ক্লিটস্কোনা নৌনা ইলেক্সন পাঙথোকপদা মীয়ামগী থাজবা ৱাৎকদবা মরমনা মদু হান্না ফনবা হোৎনবা মরুওই ওই হায়না পার্লিয়ামেন্টতা থমখি।

কন্সটিট্যুসনগী পোরমদা চংশিন্দুনা দিক্টেটরসিপকী থৌওং তোক্নবা ঐনা মীপুম খুদিংমক্তা আপিল তৌরি। কন্সটিট্যুসনবু নৌনা মপাঙ্গল হাপ্তুনা এম পিশিংগী থৌদাং অসি বট্টন নম্লগা চৎপগুম্না লৈবগী মহুৎতা ৱারেপ লৌবদা হেন্না মঙম লৈহন্নবসু ঐনা আপিল তৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

অদুবু প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিসকী রিজনগী ওইবা পার্টি অমগী লিদর ওলেকসান্দর য়েফ্রেমোবনা য়ুক্রেনগী ওপোজিসনবু মথৌদাং খঙদে মহায়না মরাল শীখি।

খোঞ্জেল নিক্না অমদি মখোল হৌনা ঙাংখিবা খোন্থোক অমদা হৌজিক য়ুক্রেনদা চথরিবা মুক্নবগী ফিভম অসিনা পীরক্কদবা শাথিবা ফল অদুগীদমক পার্লিয়ামেন্টরিয়ান পুন্নমক্তা ৱার্নিং পীখি। ইকুই কুইদ্রিঔেগী মনুংদা য়ুক্রেনদা খ্বাইদগী দ্রামাটিক ওইবা তাঙ্কক অমা চথরি। মখা তানা মুক্নবগী ফিভম অসি হেনগৎলকপদা সিভিল কনফ্রন্টেসন অমা ওল্লক্কুনা লৈবাক মাঙনিঙাই ওইবা ফল লাকপা য়াই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

পার্লিয়ামেন্টকী মীফম চথরিঔে চৈরক্তা ওপোজিসনগী এম পি খরনা মখোল হৌনা 'মীহাৎপশিং' হায়নসু লাউখি। মখোয়গী খোল্লাও অদু চৎখিবা চয়োল খরগী মনুংদা গভর্নমেন্টপু য়াদবা থৌমীশিংগা রাইওট পুলিসকা ওনশিন্নদুনা খুৎ থোক্নবদা ৱাকৎলোইশিং শিখিবা অদুগা মরী লৈননা লাউখিবনি। শিখ্রিবশিং অদুগী মরাল গভর্নমেন্টকীনি হায়নসু ৱাকৎলোইশিংনা ফোঙদোকখিবনি।

অদুবু ওফিসিয়েলশিংনদি মদুবু য়াখিদে। ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতসু পার্লিয়ামেন্টতা প্রসিদেন্ট য়ানুকোভিষ্টকী মীহুৎ ওইবা য়ুরি মাইরোসনি চেনকোনা পাউগী এজেন্সি অমদা হায়খিবদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী ৱারোইশিন পুথোক্নবা লম্বী লৈরক্ত্রবদি প্রসিদেন্টনা অঙনবা মতমদা ইলেক্সন অমা লাউথোরকপা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

অদুবু ওপোজিসননদি ইং ২০০৪ দা লৈখিবা কন্সটিট্যুসন অদুদা অমুক হঞ্জিল্লবদি য়ুক্রেনদা প্রসিদেন্টনা দিক্টেটরশিপকী লৈঙাক চথবা ঙমহল্লোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

# গোল্ডন টেম্পল এটেক তৌবদা বৃটিশকী এদভাইস য়াওখি



*অমৃটসরগী গোল্ডন টেম্পলদা ওপরেসন ব্লু ষ্টার চথবদা নোংমৈনা পানখিবগী মখুল কয়ামরুম লৈবা ফক্লাং অমগী মনাক্তা সিখ মীওই অমনা লাই খুরুম্বা (ফাইল ফোটো)*

*লণ্ডন, ফেব্রুৱারী ৪ঃ* বৃটিশকী ফোরেন সেক্রেটরি ৱিল্লিয়ম হেগনা ঙসি হায়খিবদা ইং ১৯৮৪ দা অমৃটসরদা লৈবা গোল্ডন টেম্পলদা মীশি মীনা য়াওবা শাথিবা এটেক অমা চথখিবা অদুগী লাল্লোং শিনবদা ইন্দিয়াবু বৃটেননা পাউতাক পীখি হায়বা ৱাফমসি ওফিসিয়েল ইনভেষ্টিগেসন অমদগী খঙলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু বৃটেননা ইন্দিয়াদা পীখিবা এদভাইস অদুগী চৈথেংদি থোইনা চাওখিদে হায়নসু হেগনা ফোঙদোকখি।

মমাং থাদা বৃটেনগী প্রাইম মিনিষ্টর দেবিদ কেমেরোননা হিরম অসিগী মতাংদা রিভিয়ু অমা চথনবা ওর্দর তৌখ্রবা মতুংদা হন্দক্তা থাদোরকপা ওফিসিয়েল ওইবা চে-চাং খরদা ফংবা খুদমগী মতুংইন্না মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর মার্গরেট থেটচরনা ইন্দিয়াদা ওপরেসন ব্লু ষ্টারগী এদভাইস পীরুনবা ইলিট স্পেসিয়েল এয়ার সার্ভিস (এস এ এস) কী ওফিসার অমা থাখি হায়বা খঙলে হায়না লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অদুবু য়ুনাইটেদ কিংদমনা থৌদোক অদুদা পাংখিবা মতেং অদু শুপ্নগী এদভাইস খক্তনি। অদুগা এদভাইস অদুসু থৌদোক অদুগী মমাং য়াম্না ঙন্না ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা পীখিবনি হায়নসু পার্লিয়ামেন্টতা হেগনা ফোঙদোকখি।

বৃটিশনা পীখিবা এদভাইস অদুগী ৱাফমশিংগা ইন্দিয়াদা বৃটেননা দিফেন্সকী মপোৎ মচৈশিং য়োনখিবগা মরী লৈনখিদে হায়নসু হেগনা মখা তাখি। মতমদুদা এটেক অদুগী মাংজৌনবা নোটিশ অমত্তা বৃটেননা ফংখিবসু লৈতে হায়খি।

হেগকী ৱারোল অসিনা সিখ লুপশিংদা পুক্নিং নুংঙাইতবা থোকহনবা য়াবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী কংগ্রেস পার্টিগী শাগৈগী লৈঙাক অসিগী শক্তমদসু শোকহনবা য়াই। পার্টি অসি হৌজিক-হৌজিকসু মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগীদমক থৌরাং তৌবদা কন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নরিবনি। গোল্ডন টেম্পলদা ওপরেসন ব্লু ষ্টার চথবা মতমদসু পার্টি অসি পৱার পায়খিবনি। ওপরেসন অদুদা শিখিবা মীগী মশিংসু হৌজিক ফাওবা চয়েৎনরি। শিখিবা মশিং ইন্দিয়াগী ওঠোরিটিনদি চাদা খুজিং ওইনা ফোঙদোকই। অদুবু সিখ লুপশিংনদি শিখিবগী মশিং লিশিংনা খুজিং ওই হায়না য়েৎখিবনি।

তোকখাই তাবা পান্বা সিখ ফাইটর খরা তান্থোক্নবা লাইশঙ অদুদা লান্দাশিনখিবা অদুনা মরম ওইদুনা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীবু সিখ মচা অমনা হাৎখিবনি।

# অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্টনা টালিবানগা লোন্না ৱারী শান্নরি

*কাবুল, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* অফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট হমিদ কারজাইনা মহাক্কী গভর্নমেন্টকা টালিবানগা মুক্নবা লৈহন্দনবা থেন্বগী থৌরাং অমা ওইনা টালিবান ওফিসিয়েলশিংগা প্রসিদেন্ট অসিনা লোন্না ৱারী শান্নরি হায়না নিউ য়োর্ক টাইমস পাউ-চেনা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং তাকথোক্তবা আফগানিষ্টান অমদি নোংচুপ লৈবাকশিংগী ওফিসিয়েলশিংগী ৱারোল পল্লদুনা পাউ-চে অসিনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

প্রসিদেন্ট অসিগী ৱাঙাংলোই কন্টেক্ট তৌবদা হিরম অসিগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি। অদুবু পাউ-চে অদুদা হায়বগী মতুংইন্না কন্টেক্ট অমদি লৈখ্রে হায়বসি ৱাঙাংলোই অসিনসু কনফার্ম তৌখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসিয়েলশিংনা পাউ-চে অসিদা হায়বদা টালিবাননা হৌদোরকপা ৱারী অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চাবা মহৈ ফংদ্রি হায়বগা লোয়ননা ৱাশিংটনগা কারজাইগা লৈনবা মরী ফৎচিল্লক্তবা অসি লোন্না ৱারী শানবা অসিনা ওইবা য়াই হায়নসু ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

মমাং চহিগী নভেম্বর থাদসু অরোনবা ৱারী অসি শাবা হৌখিবনি হায়রদুনা মতম অদুদসু কারজাইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা সিক্যুরিটি দিল অমা সাইন তৌ হায়বা য়াখিদবনি।

অমরোমদা কারজাইনদি থেঙ্খাং অনিরক প্রসিদেন্ট ওইরবা মরমনা অমুক মীখল য়াওবা য়াররোইদবনি।

য়ু এস কা সিক্যুরিটি দিল অমা চৎনগদবদা কারজাইনা সহি তৌ হায়বা য়াদবদগী নিংবা কায়বগা লোয়ননা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা হ্বাইট হাউসতা মকোক থোংবা লুচিংবা খরগা উন্নদুনা আফগানিষ্টানদা চথরিবা য়ু এস মিসন অসিগী মতাংদা খন্নগদৌরি।

কারজাইনা সিক্যুরিটি দিল অদু সহি তৌদবদগী লৈবাক অনিগী মরী শোকচিল্লকপগা লোয়ননা আফগানিষ্টানদা য়ু এসনা চংশিল্লিবা লান অসিবু শৌগৎপশিংগী মশিং ৱাশিংটনদা হন্থরক্লিবনি। চৎলিবা চহি অসি লোইরকপদা ৱাশিংটননা আফগানিষ্টান্দগী য়ু এস লান্মীশিং লৌথোকপা য়াই হায়বগী ইঙ্গিৎ অমসু পীখ্রবনি। অদুবু দিল অসি অথুবা মতমদা সাইন তৌনদ্রগদি লান্মী লৌথোকপগী থৌরাং অসি হোংলকপসু য়ানা লৈরি। করিগুম্বা আফগানিষ্টান্দগী য়ু এস লান্মীশিং লৌথোকখ্রবদি আফগানিষ্টানগী সিক্যুরিটি ফোর্স খক্তনা টালিবানবু মায়োক্নবা ৱাগনি হায়না খনবদগী দিপ্লোমেটশিংনা য়ু এসকী শেল থুম অমদি লান্মীগী তেংবাং অসি মখা তানা চথহনবসু পাল্লি।

অমরোমদা আফগানিষ্টানদা লাক্লিবা এপ্রিল ৫ দা পাঙথোক্কনি হায়রিবা মীখল অসি টালিবান্নসু ওইথোকহল্লোই হায়না অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখ্রবনি।

আফগানিষ্টানগী প্রসিদেন্টকা অরোনবা ৱারী শারবসু লৈবাক অসিগী কোনুংদা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং থোকপগী চাংদি হন্থরকপা লৈত্রি। থাগী ওইনা য়েংবদা ইং ২০০৮ গী মতুংদা চহি অসিগী জনুৱারী থাদনা ভাইওলেন্সগী থৌদোক খ্বাইদগী য়াম্না থোকপা ওইরি হায়নসু সিক্যুরিটি ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# কেন্সর কেস হেনগৎলকপা য়ারি

*য়ু এন, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* হৌজিক হৌজিক মালেমগী কেন্সর কেস মশিং মিল্লিয়ন ১৪ য়ৌরবগা লোয়ননা মালেম অসিদা কেন্সরগী ওইবা 'টাইদেল ৱেব' অমা থোক্লকপা য়াই হায়না ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী সাইন্টিষ্টশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

অকিবা অসিনা মরম ওইদুনা য়ু অমসুং চিনি শীজিন্নবগী চাং ককশিনবগী মরমদা অমুক নৌনা খন্নবা চুমগনি হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না মাঙজৌননা পীবা ৱারোল অমদা মালেমদা ইং ২০৩৫ ফাওবগী মনুংদা কেন্সর কেস মশিং মিল্লিয়ন ২৪ য়ৌরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু ওইরকপা য়ারিবা কেসশিং অসিগী মশিং তঙ্খাই অমদি থোকহন্দনবা ঙাকথোকপা ঙম্বনি হায়নসু দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকখি।

কেন্সর নাবগী মশিং হন্থহন্নবা মৈখু থকপা, য়ু থকপা অমদি ওবেসিটি হান্না থিংবদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগী মথৌ তাবা লৈরে হায়রি।

ৱার্ল্ড কেন্সর রিসার্চ ফন্দনা হায়বদা কেন্সর থোকহন্নবগী মরমদা ঐখোয়গী চিঙ্গাক্লা লৌরিবা থৌদাং অসিসু অরুবা অমা ওইরি হায়না ফোঙদোকখি। হৌজিক হৌজিক মালেমদা মীওই মিল্লিয়ন ১৪ দি চহি অমদা দাইগ্নোস তৌরি। অদুবু ইং ২০২৫ ফাওবদা মিল্লিয়ন ১৯, ইং ২০৩০ ফাওবদা মিল্লিয়ন ২২ অদুগা ইং ২০৩৫ ফাওবদদি মিল্লিয়ন ২৪ য়ৌরকপা য়াই হায়নসু দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকখি।

চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংনা অহেনবা চৈথেং অসি মায়োক্লগনি হায়নসু পাউ অসিদা ফোঙদোরক্লি।

# গীজা পিরামিদতগী হেন্না লিবা পিরামিদ অমা থেংনরে



*নিউয়োর্ক, ফেব্রুৱারী ৪ঃ* ইজিপতা লৈবা মালেম ফাওরবা গীজাগী গ্রেট পিরামিদগী চহিগী খরগী মমাংদা শাখিবা পিরামিদ অমা আর্কিওলোজিষ্টশিংনা হন্দক্তা থেংনরে। ষ্টেট পিরামিদ অসি চাওরাক্লা চহি ৪৬০০ লোম শুরন্নগনি হায়না মখোয়না ফোঙদোকখ্রে।

সাইন্টিষ্টশিংনা হৌজিক ফাওবদা পিরামিদ অসি করিগীদমক শারম্বা ওইগদগে হায়বা চপ চাবা খঙবা ঙমদবগা লোয়ননা মসি মতমদুগী নিংথৌগী শক্তি অদুগী সিম্বোল অমা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোক্লি।

খা থংবা ইজিপকী এদফুদা লৈরম্লিবা পিরামিদ অসি মিটর ১৩ ৱাংবগা লোয়ননা মসি খৃষ্ট মমাং ২৬৩৫-২৬১০ দা ফরাও হুনিনা শাখিবা পিরামিদ ৭ কী মনুংদা অমা ওইরম্বা য়াই। নত্রগনা মসি খৃষ্ট মমাং ২৬১০-২৫৯০ গী মতমদা স্নেফ্রু ফরাওনা শাবা ওইরম্বসু য়াই হায়নসু মখোয়না ফোঙদোকই।

পিরামিদ অসি হৌজিক্তি মতম কুইনা নোংজু নুংশাদা হুন্দোক্কুনা লৈরকপনা মহাক্কী অশেংবা মরেপতগী নেমথরে।

পনবা য়াবদি অসিগুম্বা পিরামিদশিং অসি মীয়ামনা পাক শন্না খুন্দাবা মফমশিংগী মনাক্তা খা থংবা অমদি ময়াই থংবা ইজিপকী লমদমশিংদা চাইথোক্কুনা লৈবনি। প্রোভিন্সিয়েল পিরামিদ হায়রগসু খঙনবা পিরামিট ৭ অসিগী মনুংদা ৬ তি ৱাং চাওবা ইমান মান্নৈ। পিরামিদ ৭ অসি করি মরমগী শারম্বা ওইগদগে হায়বসি হৌজিকসু খঙবা ঙমদবা অঙকপা অমা ওইরি হায়নসু অর্কিলোজিষ্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# মাইক্রোসোফকী ষ্টিব বোলমরগী মহুৎ সত্য নাদেলানা শীল্লগনি



*নিউয়োর্ক, ফেব্রুৱারি ৪ঃ* টেক্নোলোজি জাইন মাইক্রোসোফনা লাউথোরকপা ৱাফম অমগী মতুংইন্না মসিগী অনৌবা চিফ একজিক্যুটিভ সত্যনাদেলানা ওইরগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মাইক্রোসোফকী ক্লাউদ এন্দ এন্টরপ্রাইজকী মকোক ওইরিবা নাদেলানা অনৌবা চিফ একজিক্যুটিভ ওইনা ষ্টিব বোলমরগী মহুৎ শিল্লগনি হায়রি।

ক্লাউদ এন্দ এন্টরপ্রাইজনা ফার্ম অসিগী কম্প্যুটিং প্লেটফোর্মশিং অমদি দিভলপ্পর টুলশিং শেম্বা অমসুং চলাইবগী থৌদাং পুরিবনি। মমাং চহিগী ওগষ্ট থাদসু বোলমরনা মহাক থা ১২ গী মনুংদা থবক্তগী পোত্থারগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

মদুগী মতুংদগী ইন্দষ্ট্রি কয়ামরুমগী লিদরশিংনা মহাক্কী মহুৎতা ফম অসি পুহৌনবা হোৎনরিবনি।

মাইক্রোসোফনা হায়বগী মতুংইন্না কম্পেনি অসিগী চিয়ারমেন ওইরিবা বিল গেটসসু থবক্তগী পোত্থারগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বিল গেটসনা চিয়ারমেন ওইবদগী তোক্লগা কম্পেনি অসিগী টেক্নোলোজি এদভাইজর ওইনা অনৌবা থৌদাং অমা লৌরগনি হায়রি।

কম্পেনি অসিগী লিদ ইন্দিপেন্দেন্ট দিরেক্টর জোন থোমসনসু গেটসকী মফমদা লাক্কুনা চেয়ারমেনগী থৌ পুগদৌরি। মাইক্রোসোফকী অনৌবা চিফ একজিক্যুটিভ অমা থিনবা শেম্বা কম্মিটি অদু থোমসননা মকোক ওইবনি।

হাকুম চহিদসু কম্পেনিগী চিফ একজিক্যুটিভ ওইবা য়াবা মতিক চাবা মীওই ১০০ হেন্না মশক খঙদোক্লে হায়নসু লাউথোকখিবনি।

মশাগী চহি ৪৪ দা ঙাইরিবা নাদেলানা কম্পেনি অসিগী অহুমশুবা চিফ একজিক্যুটিভ ওইনা থৌ পুগদৌরি। ইন্দিয়াদা পোকখিবা নাদেলা ইং ১৯৯২ দা কম্পেনি অসিদা চংখিবনি। ইলেক্ট্রোনিক্স, কম্প্যুটর সাইন্স অমদি বিজিনেস এদমিনিষ্ট্রেসনদা মহাক দিগ্রি পায়রিবনি। মাইক্রোসোফকী ক্লাউদ ও এস সার্ভিস শেমখিবা য়ুনিট অদুগী থৌদাং পুদ্রিঔে মমাংদা মহাক্না কম্পেনি অসিগী সার্ভর অমদি টুলস বিজিনেসতা মহাক্না মকোক ওইনা থৌদাং পুরকখিবনি।

ৱাফম অমনা হন্দক মরক ইনভেষ্টরশিংনা টেক্নোলোজি জাইন অসি শেন্দোং হেন্না ফংনবা অদুগা হেন্না ইনোভেটিভ ওইহনবা ঙম্নবগীদমক মকোক থোংবা ফমশিং হোংদোক হোংজিন তৌবা অদুগা অনৌবা লিদর শিনবা মথৌ তারে হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

কনাগুম্বা ক্রিটিক খরনদি মাইক্রোসোফকুম্বা অচৌবা কম্পেনিদি লাইরদনা চুম্নগী কম্পেনি অমা চলাইবগী এক্সপরিয়েন্স ফাওবা নাদেলাদি ৱাৎলিবনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈরি।

# থাই প্রাইম মিনিষ্টরনা মীখল মতম হোংদোকখ্রে



*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারী ৪ঃ* থাইলেন্দগী গভর্নমেন্টপু মীয়ামনা শৌগৎহনবদা চাওনা মতেং ওইগদবা চেং লৈবগী স্কিম অমা মায়থিবরোমদা নকশিল্লকপদগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাদা হেন্না চৈথেং ফংহল্লে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

মমাং চয়োলদা পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী ফলসু চৎনবা য়াহল্লোইদবনি হায়না ওপ্পোজিসননা কোর্টতা হায়জ-চেরোল অমা ফাইল তৌশিনখ্র।

চেংগী স্কিমদা অকাইবা থোকপা অসিমক প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাদা হকথেংনবা চৈথেং অমা পীগদৌরি। স্কিম অসিনা মরম ওইদুনা ইং ২০১১ দসু মহাকপু চাওনা মায় পাকহনখিবনি।

হৌজিক্তি মহাক্কী মথক্তা করপসনগা মরী লৈননা থিজিনবগী ৱাফম লাকপা অদুগা চেংগী স্কিম অদুনা শেনমাং চাওনা থোকহনবদগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিগী কোক চিক্লিঙাই ওইরকপনি। কমর্স মিনিষ্টরনা হায়খিবদা চাইনানসু চেং মিল্লিয়ন টন ১.২ গী ওর্দর অমা ককখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

করপসনগা মরী লৈননা থিগৎকদৌরিবা অসিনা মরম ওইদুনা চাইনানা ওর্দর অদু ককখিবনি। অদুগা চেংগী স্কিম অসিবু কনবা ঙম্নবা মথৌ তাবা লোন থাইলেন্দগী ক্রুং থাই বেঙ্ক (কে টি বি) নসু খুদক্কী ওইনা পীবা ঙম্লরোই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অমনা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদসু কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫ দা ওপোজিসননা ঙমদুনা মীখলগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকহনখিদবনি।

মীখল মপুং ফাদনবা মরম ওইদুনা য়িংলুকনা হৌজিক থা খরদি কেয়ার টেক্কর গভর্নমেন্ট অমগী মকোক ওইনা লৈবা তারি।

কেয়ার টেক্কর গভর্নমেন্ট অমনদি পোলিসি দিসিজন লৌবা ঙমদবনি। চৈরক অসিদা ৱাকৎলোইশিংনসু হৌখিবা নভেম্বর থাদগী হৌনা বেঙ্কোক্কী শরুক খরা ব্লোকেদ তৌদুনা লাকপদু হৌজিকসু চথরি।

# পাকিষ্টানদা পুলিস ৪ কাপ্তুনা হাৎখ্রে

*কারাচি, ফেব্রুৱারী ৪ঃ* পাকিষ্টানগী সিটি কারাচিদা ঙরাং মোটোর সাইকল তোংবা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা পুলিসমেন মরি কাপ্তুনা হাৎখ্রে।

থৌদোক অদু সিটি অসিগী ইব্রাহিম হায়দ্রি এরিয়াদা থোকখিবনি। মোটো সাইকল অনিদা লাকপা মীওই মরিনা পুলিসতা নোংমৈ কাপশিল্লগা চেনখিবনি। পুলিস ওফিসিয়েল মরি থৌদোক অদুদা ফিভম লুনা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুশিন্দুনা লায়েংবদা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। কারাচিগী এদিসনেল আই জি সহিদ হয়াদনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা নুমিৎ মরিনিগী মমাংদা পুলিসনসু মীওই অনি খুৎ থোক্নবদা হাৎখি হায়না ফোঙদোকখ্রে। মীওই অনি অদু হাৎখিবগী লমন খুম্বা ওইনা ঙরাংগী এটেক অদু চথরকপা ওইরম্বা য়াই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নিংশিংবা য়াবা অমনা হৌখিবা নোংমাইজিংগী অহিংদসু পেসৱারগী সিনেমা হোল অমদা বোম অনি পোকখাইবদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিরগা ৩০ হেনবনা শোকখিবনি। পেসৱারগী কাবুলি বজার এরিয়াদা লৈবা সিনেমা হোল অমদা অকনবা বোম অনি পোকখাইবদগী মীওই অনি শিখি হায়না পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখিবনি।




## SANALEIBAK SUDOKU

SANALEIBAK SUDOKU-144

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 3 | | | | | 8 |
| | 1 | | | | 8 | | | 3 |
| 3 | | | | | | | 7 | |
| | 6 | | | | | 9 | | |
| | | 5 | 4 | 9 | | | 6 | |
| | | | 8 | | | | | |
| | 4 | | | | | 2 | | |
| | | 6 | | 7 | | | | 4 |
| | | 9 | | | 6 | | 8 | |

*Prepared by :* **ROGER -A**

**YESTERDAY SOLUTION**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 9 | 8 | 7 | 4 | 3 | 5 | 6 | 1 |
| 1 | 6 | 7 | 2 | 8 | 5 | 9 | 4 | 3 |
| 5 | 4 | 3 | 6 | 9 | 1 | 2 | 8 | 7 |
| 3 | 2 | 9 | 1 | 7 | 8 | 4 | 5 | 6 |
| 8 | 5 | 4 | 3 | 2 | 6 | 7 | 1 | 9 |
| 7 | 1 | 6 | 9 | 5 | 4 | 3 | 2 | 8 |
| 9 | 7 | 5 | 8 | 6 | 2 | 1 | 3 | 4 |
| 6 | 3 | 2 | 4 | 1 | 7 | 8 | 9 | 5 |
| 4 | 8 | 1 | 5 | 3 | 9 | 6 | 7 | 2 |

**FILL THIS BLANK:**
*9 x 9 grid by using digits 1 - 9 without repeating in the same row, column, box or diagonal. The number already given cannot be changed.*